থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# রিপব্লিক দে পাঙথোক্লোইদবনি




ঙসি, জন্যুৱারী ২৬, ২০১৯, থাংজ নুমীৎ! ইন্দিয়াগী ৭০ শুবা রিপব্লিক দে, লৈবাক শিন্না পালন তৌরি। মণিপুরদসু, খুৎতা নোংমৈ পায়দুনা 'ঐখোয় ইন্দিয়াদগী নীংতমজরগে' হায়দুনা লান হৌরিবা লূপশিংগী অথিংবা (টোটেল সটদাউন) মরক্তা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। ফনা কুইরে, লালহৌ-লূপ হায়গদ্রা, গভর্ণমেন্টকী ৱাহৈদনা লান্না লমজিংখ্রবা নহারোলশিংনা 'রিপব্লিক দে' অমদি 'ইনিদপেন্দেন্স দে'- নুমীৎ অনী অসিগী নীংশিং থৌরম লমদমসিদা পাঙথোকপা 'ৱাহন্থোক লৈতবা' (মিনিংলেস ওইবা) থৌরম অমনি হায়দুনা বোয়কোট তৌরক্লিবা। মীয়াম্না পাঙথোকপা নত্তবা, গভর্ণমেন্ট'না শিনবা থৌরমনিনা থৌরমদুদি অদুম পাঙথোকখি, মীয়াম্না শরুক য়াবই চাং হন্থজবা খত্তনি।

নীংতম্লবা মতুং, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুংদা পোকপা সিটিজন অমা ওইবনা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ অপোকপা ইপাগী নৎত্রগা ইথক থোংবশিংগী মতুং ইন্দুনা রিপব্লিক দে পেরেদ য়েংবা ফনা য়াম্না চৎলকই। থৌরম অদু করিনো? করিগী পালন তৌরিবনো? করিমত্তা খঙলমদে। অচৌবা কুম্মৈ অমগুম খল্লকই। 'ত্বেন্টিসিক্স জন্যুৱারী তারিখ কয়াদা তাই হায়য়ু' হায়না হংজিল্লকপদা চঙক্লনা ঙাইহাক খুন্বা ঙমদনা লৈবা তানফম'কাসু য়াওখ্রিবনি। 'রিপব্লিক' হায়রিবসি করি হায়রিবনো? 'গনতন্ত্র দিবস' হায়বসিনা করিনো? ওজাশিংনা নোংমতসু তাকপীরক্তে, ইথক থোংবশিংদসু হংলুদে। মার্চ পাষ্ট চৎলিবদু করিগীনো? তেল্লো'শিংদা তোঙান তোঙানবা শক্তম-মিতম শাদুনা উৎলিবদুনা করিনো? কনামত্তনা তাক্লকখিদবনা, পুম্ন মক্তু কুম্মৈ অমগী মথেল ওইনা লৌরকই। কুমশি চহীদি নুংঙাইতে, হাকুমনা হেল্লি... নৎত্রগা, হাকুমদগী কুমশিনা হেল্লি... রিপব্লিক দে পেরেদ য়েংলুরগা হল্লকপদা শানরম্বা ৱারীনি। উরিপোক, সগোলবন্দ, ক্বাকৈথেল টিদ্দিম লম্বী অয়ুক অঙনবদগী অনানবা ফি শেৎলগা হাইগৎনরকপা মীয়ামদু, কাবুলিয়া পান্থী হৌবা (ঙসিদি হৌখিদ্রে) কংলা মনিং, গভর্ণরস রেসিদেন্স (রাজ ভবন) মমাঙগী লম্বীসিগী মনিং-মমাঙ ৱানা (উনা) শম্বল খারিবদুগী ৱাংমদা মমাঙ-পরেংদা লেপ্পা ফংহৌনবা হোৎনবা, য়ামখ্রবা মীয়ামদু কন্ট্রোল তৌনবা লাক্ল বখত্তনা অচৌবা-অৱাবা থৌদাং অমা ওইখিবনি মণিপুর পুলিসকী। মার্চ পাষ্ট চৎলিবশিংদুগী সলামি ওকফম কংলা-মনিংগী হোজঙদুদা ওইরম্মী। শম্বলদুগী ৱাংম-ৱাংমদা শা-শনগুম য়োমশিন্নবদু তন্দুনা অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়দি পাউনা বজার পরিংদা ওইনা দুকান অমদা ফমদুনা য়েংলম্মী। কুম অমদি, ইম্ফাল এয়রপোর্ট অসিগী রন-ৱে ওইরিবা কোলায়স থাবা লম্বী অসিদা রিপব্লিক দে পেরেদ চৎখিবনি। শোক কয়াদনো কাউখরে। কুম অদুদি জেট প্লেন হায়নবা এয়র ফোর্সকী এয়রক্রাফ্ট পাইরক্তুনা নোংথক্তগী মচু অহুমগী ফিরাল মচু শঙলবা মৈখু'কাসু কামথোক্লম্বনি। তমজনিংলিবা পাউদি- ইনিদয়া'না রিপব্লিক অমা ওইরকখিবা, মশাগী লৈঙাক পথাপ অমা লৈজরবা, নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরকখিবা নুমীৎ- জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০ নীংশিং নুমীৎ অসি মণিপুরদসু কয়ামুক য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমা ওইনা লৌনরম্বনো হায়বদুনি। ১৯৩৫ গী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট অদুগী মহুত্তা লৈঙাক পথাপ অমা ওইনা ইথোক্লবা 'ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন'না মহুৎ শিনখিবা নুমীৎ অদুনি। ১৯৫১ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা, মীয়াম লৈঙাক (দেমোক্রেসি/গনতন্ত্র) চৎলবা নীংতম্বা লৈবাক ওইরকখিবা নুমীৎ অসিগী নীংশিং নুমীৎ পাঙথোক্লক্লি। ১৯৫০ গী মতুং তারকপা নুমীৎশিংদা লৈবাকসিদা কয়ামুক য়াম্না অহোংবা পুরকখ্রবগে, তোঙান তোঙানবা লম্‌শিংদা কয়ামুক য়াম্না চাউখৎলক্লবগে হায়বদু লৈবাকসিগী মীয়ামদা উৎথোকপদুনা থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর'না নুমীৎসিদা পীরিবা পাউজেলগী মরুওইবা শরুক্তুসু হিরম অসিদনি।

অসিগুম্বা নীংশিং থৌরম অসিগী ৭০ শুবা পন্দুপ অসিদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা, সাউথ আফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট 'মাতামেলা সাইরিল রামাফোসা'না লেংশিনগনি। মমাঙ চহীদা অর্জেন্টিনাগী 'বিনিস এয়রস'তা পাঙথোকখিবা জি ত্বেন্টি সম্মিটকীদমক উনবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা বার্ত্তন তৌখিবনি। সাউথ আফ্রিকা হায়বা লমদমসি, মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধীবু, মহাত্মা (মহাঔআত্মা) অমা ওইনা শেমগৎলকপদা অচৌবা মরম অমা ওইখিবা লমদম অমনি। মীথোয় মীহেনবা মহৈরোয় অমসু কৈদৌঙৈদা ওইরকখিদবা মোহন্দাস গান্ধী, অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্মনবা 'লন্দন'দা চৎখিবা, বৃটিশ এদ্যুকেসন'না ইন্দিয়ন এদ্যুকেসন'দগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা লৈখল্লকপদু, গান্ধীনা মায় পাকপা ব্যারিষ্টর (লোয়র) অমা ওইরম্লবা, হোংলমদবসু য়াবনি। খা-আফ্রিকা'না গান্ধী'বু পুমশেম শেমদোকখিবনি। গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন তাবসিদা পাঙথেক্লিবা রিপব্লিক দে অসিগী নুংগী ওইবা 'থিম'নি - 'গান্ধী'। অদুননি, খা আফ্রিকা'না থৌরমসিগী মরুওইবা মফম কল্লিবা।

অদুবু, ঐগী ওইবা ইরন্নাই ৱাখলদুদি ঙসি ফাওবা হোংদরি। ১৯৮৯ দা ইজখিবা ড্রামা 'লোইনাইদবা খোঙচৎ' হায়বদুগী মরুওইবা 'থিম'দুনি- ঐখোয় 'রিপব্লিক দে' অমদি 'ইন্দিপেন্দেন্স দে' পালন তৌবা তোক্কদবনি। ইতিহাসকী লামায়দা লাচন্দুনা লৈসনু। বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা মখোয়না তৌখিবা তৌহৈদবশিং অদু নত্তনা মখোয়না তৌরম্বা অফবশিং অদুদি নুমীৎশিংসিদা কনানসু কৈদৌনুংদা নীংশিংদে। অঙাং ওইরিঙৈগী নৌরিবা কোক্তুদা খনখিবা ৱাখলদু মেচ্যুর ওইরবা মতমসিদা খল্লক্লিবা ৱাখলসিগা কয়া শাথিনা খেন্নরবা! নীংতম্বা নাগরিক অমনা, রিপব্লিক ওইরবা লৈবাক অমদা ফংগদবা নীংতম্বদু ফংদে, বৃটিশ ইন্দিয়া ওইরিঙৈ মতমদা ইন্দিয়নশিংনা ওইরম্বা থাক অদুমক্লি হায়বা ইরৈবাকচা খরগী ৱাখলসি ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অনী অসিনা খলহল্লকপনি। থৌরম অসি পাঙথোক্লমদ্রবা বোয়কোট তৌদুনা অফোংবা ৱাকৎ অমা তৌরিবসি তৌরগ্লোই। লাল্লবরা?

লৌশিং পুক্কে

# ব্লদ প্রেসর (বি পি)ঃ সাইলেন্ট কিল্লর মীওইবদা চাউনা শীংনরিবা লায়না



মী পুম খুদিংমক মথৌ চিন্নরকপগা লোয়ননা চারম-থক্লম খঙলক্তবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌবগী মতম ফংলক্তবা মরম্না পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপদগী মহীক মতায়না থোকহনবা লায়না অয়াম্বা খুদুম চনশিনবা ঙম্লে। অদুবু মহীক খক্তনা ফহনবা ঙমদবনিনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংদি অসুম অসুম মশীং হেনগৎলক্লি।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবা হায়বসিসু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না মখল অমনি। চাবা-থকপা মতম নাইরক্তবা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং সোদিয়ম য়াওবা চীঞ্জাক (মরুওইনা থুম) কা-হেন্না চাবদগী মীওই অয়াম্বা বি পি ৱাংখৎলকপনি।

মালেমগী ওইনা কদায়বু নোর্মেল ব্লদ প্রেসর ওইগদগে হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। য়ুরোপ অমদি অমেরিকাগী ওইনা ১৪০/৯০ এম এম ঐচ জিবু নোর্মেল ব্লদ প্রেসর ওইনা লৌরবসু ইন্দিয়া য়াওনা এসিয়াগী ওইনদি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ১২০/৮০ বু নোর্মেল ওইনা লৌগদবনি হায়রি। পাম্বোম নাম্মদা ওনবা ব্লদ প্রেসর (বি পি)গা অতোপ্পা নাম্মদা ওনবা বি পিগা মান্নদবা তারবদি হার্টকী লায়না ওইরকপা য়াবগী খুদমনি হায়বা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ এক্সেটর মেদিকেল স্কুলগী রিছার্চরশিংনা স্কোটলেন্দদা লৈবা মীওই ৩০০০ লোম পাম্বোম অনীমক্তা তোঙান-তোঙান্না বি পি ওল্লম্মী। পাম্বোম অনীগী মরক্তা সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর ৫এম এম ঐচ জি খেন্নরবদি থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরদুনা শিবা য়াবগী রিস্ক শরুক অনীরোম হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলম্মী।

সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর হায়বসি মথক থংবা রিদিং অদুনি। কনাগুম্বা মীওই অমগী বি পি ১২০/৮০ ওইবা মতমদা সিষ্টোলিক্কা ১২০ নি অমসুং দাইষ্টোলিক্কা ৮০ নি।

দিল্লিগী মেক্স হোস্পিটালদা দিপার্টমেন্ট ওফ কার্দিওলোজিগী এসোসিয়েট দিরেক্টর ওইবা ডা. মনোজ কুমারনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। এসিয়াগী মীওইশিংদনা খুদোংথিবা অসি মায়োক্নরকপা য়াবগী রিস্ক হেন্না ৱাংই।

হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ রিপোর্টকী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা চহী ২৫ হেল্লবা নুপা চাদা ২৩.১০ অমসুং নুপী চাদা ২২.৬০ ব্লদ প্রেসর ৱাংই হায়রি। লেপ্তনা মথৌ তৌরিবা হার্টনা চপশিল্লকপা মতমদা হার্টতগী থাদোরকপা ঈনা ঈ উতোং ফাওরগা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা চেল্লি। মসিগী শাফুনা ঈ উতোংদা পীবা প্রেসরবু সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর (মথক থংবা মশীং) কৌই। নোর্মেলনি হায়বা লৌনবা সিষ্টোলিক বি পি দি ১২০ নি। হার্টনা মথৌ তৌবদা ঙাইহাক-ঙাইহাক পোখারিঙৈদা ঈ উতোংদা পীরকপা প্রেসরবুনা দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর কৌই। নোর্মেল ওইনা লৌনবা দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরদি ৮০ নি।

য়ুরোপ অমেরিকাগী মতাংদা বি এল কে সুপরস্পেসলিটি হোস্পিটালগী দিরেক্টর অমসুং সিনিয়র কন্সল্টেন্ট (কার্দিওলোজি) ডা. নিরাজ ভলানা হায়খি, নোংচুপ লৈবাকশিংদা ব্লদ প্রেসরগী রিদিং ১৪০/৯০ দগী হেনগৎখিবা মতমদা হাইপরটেন্সনগী লায়েং চথবা হৌনরে। থা অমগী মনুংদা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবা ঙমদ্রবদি হীদাক্কী দোজ হেনগৎপা নৎত্রগা অতোপ্পা হীদাক অমা শিন্দোকপা মথৌ তাই হায়না ঐথ জোইন্ট নেসনল কম্মিটি (জে এন সী ৮) গী রেকমেন্দেসননা ফোঙদোকখি।

অদুবু ইন্দিয়া য়াওনা এসিয়াগী ওইনদি নোর্মেল ব্লদ প্রেসরগী রিদিং ১২০/৮০ ওইগদবনি হায়রি। নোংচুপ লৈবাক্কী মীওইশিংগা য়েংনবদা এসিয়াগী মীওইশিং ষ্ট্রোক অমসুং হার্ট এটেক তৌগনবগী রিস্ক ৱাংবা মরম্না ১২০/৮০ বু নোর্মেল বি পি ওইনা লৌগদবনি হায়না বি এল কে সুপরস্পেসলিটি হোস্পিটালদা কার্দিওলোজি দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেন ওইবা ডা. সুভাশ চন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

গুরগাওনগী পরস হোস্পিটালদা সিনিয়র কন্সল্টেন্ট (কার্দিওলোজিষ্ট) ওইনা লৈবা ডা. ভারত কুক্রেটিনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দনবা হোৎনগদবনি। সোদিয়ম য়াওবা চীঞ্জাক কা-হেন্না চাদবা, ব্লদ প্রেসর চাং নাইনা ওনবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌদুনা পুন্সি মহিং শেমদোকপনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। যোগ অমদি মেদিটেসন তৌবসু কান্নগনি। হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নদবা অমসুং য়ু কা-হেন্না থক্তবসু মথৌ তাই।

পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না খুদিংমক পুন্সি মহিং শেমদো-ক্ত্রিবমখৈদি ফহনবা ঙম্লোই। পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লবদি ষ্ট্রোক, হার্ট এটেক অমদি থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি অমসুং নুমীৎ খুদিংগী নাসপাতি চারবদি ব্লদ প্রেসর হন্থরকপগা লোয়ননা হার্টকী মথৌ ফগৎলকপগী খুদম ফংই হায়রি।

# মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা হেরোইন পাউদর কেজি ১৪.৩৭২ অমদি ব্রাউন সুগর কেজি ২.০২৭ ফাখি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫(ঐচএন এস): মণিপুর পুলিস, নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থি-হুম্বা চখবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক হেরোইন পাউদর, ব্রাউন সুগর, দব্লিউ ৱাই টেব্লেট অমদি কানিনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

প্রেসনা ফঙবা রিপোর্টকী মতুংইন্না, মমাং চহীগী দিসেম্বর ১ দগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পুলিস, নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফাগৎখিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অদুদি, ৱর্ল্ড ইজ য়োর (দব্লিউ ৱাই) টেব্লেট ২৫২১, হেরোইন পাউদর কেজি ১৪.৩৭২, খৈনি বোক্স ৫৪০, সাজন খৈনি পেকেট ১২৫, অরিবা শেনয়েক লুপা ১৬,৫০০, অনৌবা শেনয়েক লুপা ৪৬০০, ব্রাউন সুগর কেজি ২.০২৭, ম্যান্মারগী শেনয়েক ৫০০, কানি কেজি মাপন, গোল্ড বার ৩৬, য়ুঙৌ অমদি য়ুঙাং য়াওনা লুপা লীশিং ৩০ রোমগী ভেল্যু ওইগদবসু ফাগৎপা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা কম্বাইন্দ ফোর্সনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক হেক্তর ৪.৫০ দা থারম্বা গঞ্জা পাম্বীশিং অমদি হেক্তর ১২৭ তা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি। থা অসিমক্তদা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা ১২ ফাগৎখি। মখোয়গী মনুংদা, কে সী পি (পীপলস ৱার গ্রুপ) কী কাদর অহুম, প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা, কে ৱাই কে এলগী কাদর অনী, জেদ য়ু এফকী কাদর অমা, পি এল এগী কাদর অহুম অমদি য়ু এন এল এফকী কাদর অনী য়াওরি।

মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হেন্দ গ্রেনেদ ২৩, দিটোনেটর ২০, আই ঈ দি অমা, এ কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১১৩০, মারুটি কার অমা, মোবাইল হেন্দসেট মরি, পিষ্টোল অহুম, করবাইন অমা, এম-১৬ রাইফল অমা, ইকো ভেন অমা, আধার অমদি পান কার্দনচিংবসু ফাগৎখি হায়রি।

# ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালদা জন্যুৱারী ১৬ তগী ২২ ফাওবা 'রিছার্স মেথোদোলোজি ইন স্পোর্টস এন্দ এক্সর্সাইজ সাইকোলোজি' হায়বা হিরমদা নুমীৎ তরেৎনিগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী রিছার্স স্কোলার, মহৈরোয়, কোচ অমদি স্পোর্টস সাইন্টিষ্টনচিংবা দেলিগেট ১০০ রোম্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইন্টরিম ভাইস চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা য়ুনিয়ন স্পোর্টস সেক্রেটরি রাহুল বটনগরনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লক্ষ্মীবাই নেসনল কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা প্রোফেসর এম এল কমলেস, রিমস ইম্ফালগী প্রোফেসর এ কে জয়, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিছার্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ডা. জি এল খানা, এল এন আই পি ঈ গ্বেলিয়রগী স্পোর্টস সাইকোলোজিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. জে পি বর্মা, সী এম সী হোস্পিটাল, কোইরেঙ্গৈগী কন্সল্টেন্ট ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট ডা. এম অক্ষয় কুমার, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল সাইকোলোজিগী মকোক ডা. আর কে লেনিন অমসুং নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী দিন প্রোফেসর জয়শ্রি অচ্যারিয়ানা স্পোর্টস চাউখৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৫: মণিপুর পুলিসকী রাইফলমেন লৌনবগী মতাংদা রিক্রুটমেন্ট বোর্দনা খল্লবা কেনিদদেটশিংনা পুলিস ভেরিফিকেসন-গীদমক ফেব্রুৱারী ৬ তগী ৮ ফাওবা পুলিস হেদক্বার্টরসতা লাক্তুনা আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) দা রিপোর্ট তৌদুনা ফোর্ম লৌরগা মরী লৈনবা চে-চাংশিংগা লোয়ননা ফেব্রুৱারী ১১ ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা থোকখিবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারি ২৫: রেদ সিল্ড দিভিজনগী লোক্তাক বৃগেদকী মীৎয়েংখাদা আর্মিনা নিংথৌখোংদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা আর্মিগী নুপী মেদিকেল ওফিসর অনীনা মীওই ২০৩ লায়েংখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিং লেম্না য়েন্থোকখি। খুল কয়াগী খুঞ্জাশিংনা কান্নবা ফংখি হায়না পি আই বিগী চেরোল অমনা হায়রি।

HL-P/5901/16-31







HL-B/4932/25,26&28




HL-B/5147/25/1-25/2